# প্রাইম মিনিষ্টরনা মুদ্রা বেঙ্ক হাংদোকখ্রে

## নোংনা অমাং অতা থোকহনবশিংগী মতেং হেনগৎলগনি লাউথোকখ্রে



মুদ্রা বেঙ্ক হাংদোকপগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৌমী অমদা মতেং পীরি

***নিউ দিল্লি, এপ্রিল ৮ঃ***

অপীকপা করবার তৌবা অমসুং মাইক্রো ফাইনান্স ইন্সটিট্যুসনশিংদা লুপা লাক্ষ ১০ ফাওবা পীবা ঙমগদবা মুদ্রা বেঙ্ক কোর্পস ফন্দ লুপা ক্রোর ২০,০০০ গা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি শঙ্গাখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা শঙ্গাবগী থৌরমগা মরী লৈননা লৈবাক অসিবু হেন্না খুমাং চাওশিনহনবা অমদি পোত্থোক হেন্না পুথোকপা অমদি থবক হেন্না পীবা ঙম্লগনি। লৈবাক অসিগী অপীকপা করবার মিলিয়ন ৫৮ দা ঙসি হাংদোক্লিবা বেঙ্ক অসিনা কান্নবা পীবা ঙম্লগনি। অদুগা লৈবাক অসিগী মীওই লিমিয়ন ১২০ বুনা থবক পীবা ঙম্লগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জন ধন যোজনাগা লোয়ননা বেঙ্কিং অমদি অন বেঙ্ককী থবক থৌরমশিং মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্লগনি। ঙসি হাংদোক্লিবা বেঙ্ক অসিনা মাইক্রো য়ুনিটশিং চাওখৎহনবা অমসুং ফাইনান্স এজেন্সিশিংনা অমুক হন্না শেল থাদবা ঙমহল্লগনি। মুদ্রা হায়বসি অনৌবা শেল থাদবগী ৱাখল্লোন্নি। মীচম মিলিয়ন কয়া অপীকপা করবার তৌরি। অদুগুম্বা অপীকপা করবার তৌবা নুপা–নুপীশিংদা খুদোংচাবা ফংহনবা ঙম্লগনি। মসিনা লৈবাক অসিগী শেনমিৎলোন্দা অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি। অপীকপা করবারশিং অমসুং মাইক্রো ফাইনান্সনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইন্টরপ্রেন্যুরশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবা ঙমগনি। থৌশিল অসিনা হেন্না থবক পীবা অমসুং চাউখৎ মায়কৈদা চঙশিন্নবগী খুৎলাই অমা ওইরগনি হায়খি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা লৌমীশিংগী মহৈ মরোংশিং মতম চাদবা নোং অমদি লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎনা মাংহন তাকহনবদা লৌমীশিংবু ঙাক্লে ওইননবা পীবা মতেংশিং চাদা ৫০ হেনগৎহল্লগনি। লোয়ননা খুদোংথিবা নংলবা লৌমীশিংদা বেঙ্কশিংনা লোন পীনবসু খঙহনখি।

মুদ্রা বেঙ্ক শঙ্গাবগী থৌরমদা মোদিনা মখা তানা হায়খিবদা লুপা ক্রোর ২০,০০০গা লোয়ননা বেঙ্ক অসি হৌদোক্লে। লৌমীশিংগী মহৈ মরোংশিং নোংনা মাংহন তাকহনবদা পীগদবা কম্পেন্সেসন চাদা ৫০ দা হেনগৎহনগনি। মদুনা লৌমীশিংগী মাংলিবা মহৈ মরোংগী চাদা ৩৩ হন্থহনবা ঙমগনি।

অনিশুবা খ্বাইদগী মরুওইবা ৱারেপ্তি লৌমীশিংদা মতেং পীবগী থবক হেনগৎহনবনি। অদুগুম্বা খুদোংথিবা নংলবা লৌমীশিংদা হান্না পীরম্বা মতেংদগী হৌজিক চাদা ১.৫ কী চাংদা হেনগৎহল্লবনি। মমাংগী ফিভমদা য়েংলগা করিগুম্বা লৌমী অমনা লুপা ১০০ গী মতেং ফংখিবা ওইরবদি নৌনা পায়খৎলিবা থৌশিল অসিগী মতুং ইন্না লৌমী অদু লুপা ১৫০ ফংলগনি। লাক্ষ অমা ফংবা ওইরগনা লাক্ষ অমমখাই ফংহনগদবনি। মদু মপুং ওইনা চাদা ৫০ হেনগৎলবনি। মহৌশাগী অমাং অতা থৌদোক্তা লৈবাক অসিগী লৌমী কয়া অৱাবা মায়োক্লরি। মমাং চহিদা নোং লিক্লা চুবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। চহি অসিদনা মতম চাদনা নোং অমসুং লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহন্দুনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। মহাক্কী মিনিষ্টরশিং লৌবুক্তা চৎতুনা মাং তাক্লিবা মহৈ মরোংগী ফিভম য়েংশিনহনখ্রে। ঙরাং এগ্রিকলচর মিনিষ্টর রাধামোহন সিংহনা হায়খিবদা মতম চাদনা চুরকখিবা নোং অমসুং নোংলৈ নুংশিৎনা রবি লৌরোক্কী মহৈ মরোং থাবা লৌবুক হেক্তর লাক্ষ ১১৩ মাংহন তাকহনখ্রে হায়খি।

# অসামগী এমএলএ রুমিনাথকী মপুরোইবা পুলিসনা ফাখ্রে

***গুৱাহাটি, এপ্রিল ৮ঃ***

অসামগী করিমগঞ্জ কন্সটিট্যু–য়েন্সিদগী কারকখিবা কংগ্রেস এম এল এ রুমিনাথকী মপুরোইবা জেকি জাকির পুলিসনা ফারে।

সিটি পুলিসনা গাড়ী হুরানবা খুৎপু অমগী মীওই অনিল চৌহান কৌবা মীওই অমা ফাগৎপদা হায়দোরকপদগী জেকি জাকিরসু পুলিসনা ফাগৎখিবনি। মহাক্তা নত্তনা বোরখোলাগী এম এল এ দেববর্ত্ত বরবত্রাগী পার্সোনেল সেক্যুরিটি ওফিসারসু পুলিসনা লৌখৎখি।

ৱাহং পাউহং চত্থবদা খঙলকখিবদা জেকি–জাকির অমসুং অনিল চৌহান মরী লৈনৈ হায়বা খঙবা ঙম্লে। অনিল চৌহান হায়রিবা মীওই অদু ইন্দিয়া পুম্বদা গাড়ী হুরানবা খুৎপু অমগী মরুওইবা মীশক্লি হায়রি। চৈরকসিদা গৌহাটিগী পুলিস কম্মিস্নার জে চক্রবর্তিনা করিমগঞ্জগী এম এল এ অমগী মপুরোইবা জেকি–জাকির ফারে হায়বা চুম্লে। মহাক অশোই অঙাম য়াওদনা পুলিস কষ্টদিদা লৈরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

জাকির করিমগঞ্জ পুলিসনা ঙসি অয়ুক ফাবনি। মীওই অদু গৌহাটিদা পুরক্লগনি। থিজিনবদা অনিল চৌহান হায়রিবা মীওই অদু কেস কয়াদা চেন্নবগীদমক দিল্লি অমসুং মুম্বাইদা পাম্না থিরিবা মীওইনি। মহাক অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু গাড়ী হুরানবগী কেস কয়াদা চেন্নে। মাঙোন্দা কংগ্রেস এম এল এ অমনা রিকমেন্দ তৌবা এসেমব্লি কার পাস ফাওবা শিজিন্নরমখি। এম এল এ রুমিনাথতসু করিগীদমক কার হুরানবগী থৌদোক কয়াদা চেন্নবা তমথিবা মীওই অদুদা এসেমব্লি সেক্রেটেরিয়েৎনা কার পাস ইশু তৌহল্লম্বগী মতাংদা ময়েক শেংবা ৱাফম খঙহল্লক্লবা হায়খ্রে।

অনিল চৌহানগা এম এল এ রুমিনাথকা মরী লৈনরম্বা অসিনা ষ্টেট অদুদা রাজনীতিগী নোংলৈ নুংশিৎ অমা ওইহল্লকপা য়ারি। মায়কৈ কয়াদগী কার হুরানবা মীওই অমগা লেজিসলেচর নুপী অদুগা আইন কায়বা মওংদা মরী লৈনরম্বগী মতাংদা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা তকশিল্লক্লি।

# ইন্টরনেসনেল ফেক করেন্সি রেকেটকা মরী লৈনবা অসামগী মীওই ৪ সি সি বি না ফারে

***নিউ দিল্লি, এপ্রিল ৮ঃ***

জালি নোট লুপা লাক্ষ ১৩.৯ চাইথোক্লবা হোৎনবা অসামদগী নুপী অমা য়াওনা মীওই ৪ সেন্ট্রেল ক্রাইম ব্রাঞ্চ (সি সি বি) না ফারে।

চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা চাওনা জালি নোটকা মরী লৈননা ফাগৎপা হন্দক্কী অসিনা অনিশুবনি। মরাল লৈরবা অমিরুলা হক, সহাবুদ্দিন, নিজাব মুন্দল অমসুং অকবর আলি কষ্টমর থিরিবৈ চৈরক্তা সি সি বি না ফাবনি। মীওইশিং অদুনা জালি নোট লুপা লাক্ষ ১ দা লুপা লিশিং ৫০ দা য়োনবগী থবক চৎখে। ফারবশিং অদুনা হায়দোক্লকপগী মতুং ইন্না জালি নোট ৫০০ চৎপী অমসুং লিশিং চৎপীশিং অদু পাকিস্তান্দা নম্বনি। জালিনোটশিং অদু বংলাদেশতগী ৱেষ্ট বেঙ্গল ফাওনা লৈবাক অসিদা পুশিল্লকপনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। মীওইশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা দ্রেন মনুংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী নুপী অমা থেংনদুনা জালি নোট চাইথোকপগী থবক্তা য়াওহল্লকখি। থবক অদু তৌবগীদমক মঙোন্দা লুপা লিশিং ৫ পী। সি সি বি না কেস অদু মখা তানা থিজিনবগী থবক চত্থরি হায়রি।

এদিস্নেল কম্মিস্নার ওফ পুলিস বি দয়ানন্দনা ফোঙদোরকখিবদা জালি নোট কয়া ষ্টেট অমদগী অমদা লাম্থোক লানশিন তৌদুনা চাইথোকপগী থবক চত্থে হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

# লেন্দ বিল মখা তানা শেমদোকপদা সরকারনা নুংঙাইতবা লৈতে ঃ নিতিন গদকারি



***নিউ দিল্লি, এপ্রিল ৮ঃ***

লেন্দ বিল পাস তৌনবগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিগা লোয়ননা খন্ন–নৈনগনি হায়বগী আশা তৌরি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গদকারিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা বিল অদু শেমদোক শেমজিন তৌবদা সরকারনা য়ানিংদবা লৈরোই হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

অফবা মওংদা অমদি মহৌশাগা চুনগদবা য়েংলগা লেন্দ বিল শেমদোক শেমজিন তৌবদা নুংঙাইতবা লৈরোই। অনৌবা হোংলকপদা অথিংবা লৈতে হায়নসু রোড ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱে মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। অদুম ওইনমক শেমদোক শেমজিন তৌবনা বিল অদু পাস তৌহনবদা থেংথনবগী মরম অমদি ওইহল্লোইদবনি। বিল অসিদা রাজনীতিগী খুদোংচাবা লৌনবা খল্লোইদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। লোক সভাদা বিল অদু মাপল্লক শেমদোকখ্রবা মতুং পাস তৌখ্রবনি। অহোংবা পুরকপদা সরকারনা থোঙ লাওনা হাংদুনা থল্লি। রাজ্য সভাদা এন দি এ সরকারগী মেম্বর মশিং হন্থনা লৈরবসু হাউস অদুনা বিল অদু পাস তৌবদা শৌগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোক্লি। রাজ্য সভাদা বিল অদু মেম্বর কয়ানা শৌগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মদু পোজিটিভ ওইবা ৱাখল্লোন্দনি। মনুং মপান ফাওনা উহন্দুনা লেন্দ এক্যুজিসন বিল পাস তৌহনবা দরকার লৈ। লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা বিল অদু রাজ্য সভাদা পাস তৌবা ঙমদবগী মরুওইবা মরমদি হাউস অদুদা এন দি এ গী মেম্বর মশিং য়ামদবনা ওইবা য়াই। ওপোজিসন পার্টিশিংনা বিল অদু পাস তৌবা য়াদনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লি। অদুম ওইনমক পাস তৌনবা শৌগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

# উঙাং লল্লোনবা ২০ হাৎখিবগী মতাংদা নাইদুনা রাজনাথ উন্নরগনি

# অন্ধ্র প্রদেশ, টামিলনাদুদা ঈহৌ লাক্লে

***নিউ দিল্লি, এপ্রিল ৮ঃ***

অন্ধ্র প্রদেশকী চিফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুনা চিটুর দিষ্ট্রিক্টতা উঙাং হুরান্দুনা লল্লোনবা খুৎপু অমগী মীওই ২০ হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ উনরগনি। নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মকোক কে জে বালাকৃষ্ণনসু ষ্টেট সরকারদা খুৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক অদুগী ৱারোল খঙহল্লক্লবা নোটিশ থাখ্রে।

পুলিসনদি থোকখিবা থৌদোক অদু মখোয়না চুম্মী হায়না লেপ্লি। মদুগী মতাংদা থিজিনগনি হায়না নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মকোক কে জি বালাকৃষ্ণননা ফোঙদোকখ্রে।

চৈরকসিদা রেদ সেন্দল হুরান লানাদা লল্লোনবা মীওইশিং হাৎখিবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চিতুর অমসুং চেন্নাইদা মীয়ামগী ঈহৌ লাকখ্রে। উঙাং লল্লোনবা মীওই ২০ অমুক্তদা হাৎখিবা থৌদোক অদু সাউথ ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী চাওবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক ওইরে। থৌদোক অদুদা অন্ধ্রপ্রদেশকী চিতুর দিষ্ট্রিক্টকী সেসা চলমগী জঙ্গলদা স্পিসিয়েল টাস্ক ফোর্সনা মীওই ২০ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

অদুগুম্বা থৌদোক অদু সাউথ ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী তমথিবা থৌদোক অমা ওইরি। লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থোকখিবা থৌদোক অদুবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপা লেপত্রি। টাস্ক ফোর্সনা জঙ্গল অদুদা চত্থখিবা ওপরেসন অদুদা উঙাং লল্লোনবা মীওইশিং অদুনা শিংনবা হৌরকপদগী চন্দ্রগীরি লমদমদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অয়াম্বা টামিল নাদুদগী লানশিল্লক্তুনা লমদম অদুদা উ য়ানবা মীওইশিংনি। থৌদোক অদুনা টামিলনাদু অমসুং অন্ধ্রপ্রদেশতা রাজনীতিগী চরাংনবা থোকহল্লে। অন্ধ্রপ্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এন রঘুবির রেদ্দিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী পার্টিনা থৌদোক অদুবু থিগৎনবা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্দা ৱাকৎকনি হায়রি। অদুগা টামিলনাদুগী চিফ মিনিষ্টর ও পানিরসেলভমনা থৌদোক অদুবু নুংঙাইতবা ফোঙদোপগা লোয়ননা থুনা ইনক্কারি চত্থগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

উঙাং হুরান্দুনা লল্লোনবা অমসুং পুলিসকী মরক্তা হিংশাগী থৌদোক কয়া তত্তনা থোক্লি। অদুম ওইনমক অশুক য়াম্বা মীওই হাৎপা অসিদি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। চহি অনিগী মমাংদা হুরানপোৎ লল্লোনবশিং অদুনা নুঙনা থাবদগী ফোরেষ্ট গার্দ অনি শিখিবা লৈখি। থৌদোক অদুগী মতুংদগী অন্ধ্রপ্রদেশ সরকারনা হুরান পোৎ লল্লোনবশিং থেংননবা স্পিসিয়েল টাস্ক ফোর্স লিংখৎখি।

রেদ সেন্দল হায়না খঙনবা উ মখল অদু চাওবা য়াম্না তপ্লা, উপু কাংথোল অমসুং ম্যুজিক্কী ইন্সক্রুমেন্টশিং শাবদা শিজিন্নবা খ্বাইদগী মমল তাংবা উ মখল অমনি। কৈথেলদা উ অদুগী মমল কেজি অমদা লুপা লিশিং ১৫ পী হায়রি।

উ মখল অদুবু ঙাক শেন্নবগীদমক পুথোক পুশিন অমদি য়ানবা পুম্নমক থিংদুনা লাকখিবনি। মদু ইন্টরনেসনেল য়ুনিয়ন ফোর কঞ্জর্ভেসন ওফ নেচরেল ফ্লোরা এন্দ ফৌনা (আই য়ু সি এন) গী মখাদা অথিংবা থল্লিবনি । উ মখল অদু নেলোর, কাদাপা অমসুং চিতুর দিষ্ট্রিক্টতা মরাং কায়না হৌই হায়রি।



অন্ধ্র প্রদেশকী চিত্তুরদা টাস্ক ফোর্সনা উঙাং লল্লোনবশিং হাৎখ্রবা মতুং অশিবা হকচাংশিং তাদুনা লৈবা

# লাল নংলবা য়েমেন্দগী কেরলা মচা ১৯০৩ কল্লকখ্রে

***তিরুভন্তপুরম, এপ্রিল ৮ঃ***

কেরেলাগী চিফ মিনিষ্টর ওমন চান্দেনা লাল নংলবা য়েমেন্দগী হৌজিক ফাওবদা কেরলা মচা ১৯০৩ কনখ্রে।

লাল মায়োক্লরিবা য়েমেন্দগী কল্লকখ্রবা কেরলা মচাশিং অদু ময়ুমদা হন্নিংবা লৈরে। অতোপ্পা মীওই কাংবু অমসু য়েমেন্দগী ঙসি নুমিদাং মুম্বাইদা থুংলরগনি। অদুগা য়েমেন্দা লৈবা ইন্দিয়াগী নর্স কয়াদি হোস্পিটাল ওথোরিটিনা মখোয়গী পাসপোর্ট শিন্নরক্তবনা মরম ওইরগা লৈবাক অদু থাদোকপা য়াদনা লৈরি। লান্না মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা হৌজিক ইমর্জেন্সিগা মান্নবা ফিভম অমদা লৈরিবনি। ফিভম অদুদা নর্সশিং অদু মখোয়গী মথৌ তৌহল্লি। খুদোংথিরবা ফিভম অদুদা মখোয়বু নমদুনা থবক তৌহল্লি হায়খি।

চিফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নর্স কয়াদি য়েমেনগী মনুং হজ্ঞিনবা চাউখৎতনা লৈরিবা মফমশিংদা থবক তৌহল্লি। মখোয় লান অদুনা মরম ওইরগা মফম অদুদগী অকি অখঙ য়াওদনা থোকপা ঙমদ্রি। মখোয়না হাউথি রিবেলশিংদগী মতেং লৌবসু ঙমদ্রি। অদুগা মখোয়গা ওনশিন্নদুনা থেংনবসু ঙমদ্রি। সরকারনা অদুগুম্বা খুদোংচাদবা ফিভম অমদা থবক তৌরিবা মীওইশিং অদু কনবা পাম্লি। অদুগা মখোয়গী মনুংদা খরা অমনা শেল থুমগী খুদোংচাদবদগী ময়ুমদা হনবা পামদবসু য়াওরি। মখোয় অদুগীদমক সরকারনা করিসু তৌবা ঙমদ্রি হায়খি।

লাল নংলবা য়েমেন্দগী ইন্দিয়ান নেভিগী লালগী জহাজ শিজিন্নদুনা য়েমেনগী পোর্ট সিটি এদেনদগী মীওই চা কয়া হোন্দোক্তুনা শাফগদবা মফমদা থল্লি। মীওইশিং অদু ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী অখন্নবা এয়ার ক্রাফট অমনা ইন্দিয়াদা হোন্দোরপগী থবক চত্থরি। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়া মচা ৬০০০ লোম লৈবাক অসিদা পুরকপা ঙমখ্রে। ইন্দিয়ান নেভিনা ইন্দিয়া মচাশিং কন্নবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।



লাল নংলবা য়েমেন্দগী কল্লকখ্রবা কেরলা মচাশিং

# হু চেনবা উহৈ চারুবদগী থবক শুবা মীওই ১৪ শিরে

***শিলোং, এপ্রিল ৮ঃ***

মেঘালয়াগী ইষ্ট জাইন্টিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টতা লম্লক্তা হৌবা উহৈ চারুবদগী ফুদ পোইজনিং তৌদুনা থবক শুবা মীওই ১৪ শিরে। মীওইশিং অদুনা সোহ খুয়াতুর হায়না খঙনবা লম্লক্তা হৌবা উহৈ মখল অমা চারুবদগী খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

ষ্টেট অদুগী কোনুং শিলোংদগী কিঃমিঃ ১৪৪ লাপ্না লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী সাইপুংদা লৈবা খুঙ্গং অমদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু অসামগী দুব্রি দিষ্ট্রিক্টতগী মফম অদুদা য়ুম শাবগী থবক য়াওবা লাকপনি। মীওইশিং অদু মশক মমিং খঙদোকপা ঙম্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি । লৈখিদ্রবশিংগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বার্টরদা লৈবা খলিহরিয়াটতা পুখ্রে।

পুলিসনা থৌদোক অদু করম তৌনা থোকখিবনো খঙদোক্লবা থিজিনবা হৌখ্রে। লোয়ননা পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট ঙাইরি হায়না অহানবা ওইনা থিজিনবগী রিপোর্টতা মীওইশিং অদু ফুদ পোইজনিং তৌদুনা শিবা মাল্লি। মখোয়না অতোপ্পা খুদোংথিবা থৌদোক থোকখিবগী খুদম ফংদে। অদুমওইনমক পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট লাক্লবা মতুং শিবগী মরম খঙদোকপা ঙমগনি হায়না ইষ্ট জাইন্টিয়া হিলসকী সুপরিটেন্দেন্ট ওফ এম কে খরনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না থবক শুবা মীওইশিং অদুনা মনাক নকপা জঙ্গলদগী উহৈ মখল অদু খোমজিনখি হায়বা খঙবা ঙম্লে। মখোয়না উহৈশিং অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা চাখি। নোঙাল্লকপদা মখোয় শিদুনা লৈরম্বা থেংনখি।

চৈরকসিদা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংদা পাউ পীখ্রে। ইমুং মনুংগী মীওইশিং দিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বার্টরদা লাক্লবা মতুং হকচাংশিং অদু শিন্নখিগনি হায়রি।

ইষ্ট জাইন্টিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টতা লৈখিদবা থবক শুবা মীওইশিং অদু অসামগী দুব্রি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চাপুর–বালাজানদগীনি। লৈখিদ্রবশিং অদুদি সাহিদুর রহমন, মোইহুসেন, জাহিরুল আলি, সাপিকুল আলি, ইনামুল হক, মরিনাল রোই, মোহিবুল হক, মহেবুব আলি, জাজিরুল হক অমসুং মনিক রোইনি হায়রি।

# খঙমিন্নসি

## লম্মিৎলোন

*(ঙরাংগী মখা)*

*মানা পুরকপা অচা অথক ময়ামদু চাদুনা অৱাবা খঙদনা পোত্থাদনা লৈবুং শানা পৈরিবা ফৌয়াম অদু হোনবদা ময়েং তাবা ঙমদ্রে। নুমিৎ তাশিল্লক্লবদা ফৌয়াম অদু হোনবগী লোইবসু নাইদা, ফৌ হাল্লিবা থুম্মোক্কী মনানা তৎশিল্লক্লবদা পোৎপু লেংনমসু তেকলকপা উবদা লুৱাং খাবং য়ুঙৈজাম্বদু অশাওবনা লুতোন কাখিদুনা অতেকপা পোৎপু অদুনা ফৌয়ামগী মথক্তা হোনবগী লোইবা লৈতরে হায়না ফুরকপদা ফৌয়ামগী মনুংদা লৈরিবী ফৌওইবী লাইরেম্বীদু খাঙবা য়াদদুনা থোরক্লগা লুৱাং খাবা য়ুঙৈজাম্বদু ইল্লমই। ফৌওইবীনা ইল্লম্বদা লুৱাং য়ুঙৈজাম্বা তুগদবগী লোংনা নিক্তুনা খাঙই হায়দুনা লোং–নিক হায়নরম্বদগী নুমিৎ অদুদগী মফম অদুবু ‘লমলোংগৈ’ কৌনখি। (নিংথৌরোল লম্বুবা)।*

***লাংজা লৌপুংকৈ ঃ***

*খৃষ্টাব্দ ৭৬৩ দগী ৭৭৩ ফাওবা মৈত্রবাক্তা নিংথৌ ওইরম্বা মৈদিংঙু খোংতেকচা য়োইরেনবনা অঙম–অথৌ মনাই হুম্ফু মাথোইগা লোয়ননা কোরৌনোঙ্গাখিবা উবদা মৈতৈ লৈমা পুগৈরেম চনুনা মশাবি লাইরেম মৈদিংঙু খাম্বা ঙমহৌদেদা হায়না মথৱায় নুংঙাইতবদগী মখুৎনা মথবাক্তা ফুদুনা লৈমায় থক্তা ওন থোইনা তেংথাখি হায়বদগী মফম অদু ‘লাংজা লৌপুংকৈ’ কৌনখি।*

***লাংজিংঃ***

*থাঙ্গ কম্বোংনা লৌ কুম্বদা লাপ্পদগী ময়ুমদা হনবা ঙমদদুনা মফম অদুদা অহিং লেক্তুনা লৈরম্মী। লমদা অহিং লেকপবু থাঙ্গ কম্বোংনা লাংবা হায়নৈ। থাঙ্গ কম্বোংনা লাংলম্মী হায়দুনা লাংবচীং হায়বদগী মফম অদু ‘লাংজিং’ কৌনখি।*

***লাংথবানঃ***

*থাঙ্গ কম্বোংগী পিবানা মংকৎ ওইনা মপোৎ মচৈ, লন–থুম পীরগা শেলোই লংমাই নিংঙোল কাইরৈমা খুনথুংদবীবু লৌই। লুহোংবা নুমিৎতা হায়নবা মংকৎ মশিং ৱাৎতুনা শেলোই লংমাই কাংবুনা নোংঙাল্লগা থাঙ্গ কাম্বোংদা অৱাৎপা মংকৎ থৌবা চৎপদা লম্বীদা ফজরবা চুং লোন মনথাং অমা তাদুনা লৈরম্বা উরম্মী। শেলোই লংমাইনা চুংলোন মনমথাংদু লাং কৌই। লাং তারম্মী হায়দুনা নুমিৎ অদুদগী থোঙলেন তাউবী মফম অদু ‘লাংথবান’ কৌনখি। (নিংথৌরোল লম্বুবা)।*

***লাংমৈথেৎঃ***

*খুমন নিংথৌ নোংয়াই থিঙ্গোনহনবদা পশি খুলগী লৈতং চনু হাওনু মরিখোম্বীবু লুহোংদুনা লৌরগা মপাম পশি খুন্দা থম্মী। লুহোংবা নুমিৎতা পশি খুলগী মীয়াম্না উশিং–থওইদবা উৎতুনা লানশিংনখিবদু লমন খুমগে খল্লদুনা ওল্লকপা চহিদা নোংয়াই থিঙ্গোনহনবনা লান্দাদুনা পশি খুলগা থা অমা চুপ্না লাম্থোংনদুনা চাবদা নিংথৌগী মরাংমৈ, লাংজেং চারা মরু খেৎ (মকোক্তা থোৎপা শমজিন) কাউদুনা থনম্মী। পাউ অসি তাবদা হাওনু মরিখোম্বীনা মশাবী নিংথৌগী মরাংমৈ লাংজেং চারা সরুথেৎপু পুরগা মথংলেনবু তান্নরকপদা লম্মখাংদা থেংনদুনা পীবদা নোংয়াই থিঙ্গোনহনবনা ‘য়োইবুনাই ইনেম্মচাও! খোয়নৌ ইরাংমৈ লাংজেং চারা ইরুথেৎপু নুরাগী শমু কুমজিং লোইনাই থক্তা থেংচৌ হায়বদা মশাবীগী কুমজিং লোইনাই থক্তা নুরাগী মখুৎমক্লা নুংশিনা থেৎলম্মী হায়দুনা লাংমৈ লাংজেং হায়বদগী মফম অদু ‘লাংমৈথেৎ’ কৌনখি।*

***লানশোনবীঃ***

*কৌবা অঙাংঙানা শাফি লানফি শেৎলগা খুবোম য়াই খুদাং য়াইজাউ শিরগা তরা চয়োম লেংদা থোং থাঙলেন নাক্তা য়ান মখুৎতা তা পায়ারগা মোমনু তালোয় মরুম্বীগা লোয়ননা লুৱাং মুংবী চীংদাইরেম্বদগী (লাঙ্গোল চীংদগী) কেগে মোইরাং তান্না খোঙশাল্লকই। থোঙঙাকপা মংললচীংদগী লেপ্তুনা লমশাং লাকপদা হাওবম লময়াই য়ৌবদা মোমনু তালোয় মরুম্বীদু ৱাবনা শদৌ থোংদুনা পোত্থাদুনা লৈরে।কোরৌ ৱাতোন লোম্লক্লবদা কৌবা অঙাংঙানা মশানৌ য়েংলগা মোমনু ৱারে পোত্থারিবদু পোত্থারনু ৱাইবা শা হুয়েল লান য়াম্মী শানৌ লাকও মাঙদা থারো লাকও হায়রকই। কৌবা অঙাংঙানা মখুৎসু তাবু খুবাক তিল্লাই মেন্না লম্মখাংদা ৱাইরা শা হুয়েল লানবু ওক্লগদ্রা হায়না মচিন্দা শোন্না শোন্না কেগে মোইরাং পাংলকই হায়বগী মফম অদু ‘লানশোনবী’ কৌনখি।*

*অতোপ্পা ৱারী অমদনা মরেম হাও মতৈ মনাওনা পোইরৈ তমদা কুপ্লকপদা নুমিৎ তাশিল্লক্লবদা ঐখোয় অনীবু হুয়েল লানবু ওক্লদুনা য়াইবী থৱায় মাঙগদ্রা হায়না মরেম হাওনুবীনা শোল্লম্মী হায়দুনা লান শোন হায়বদগী মফম অদু ‘ লানশোনবী’ কৌনখি।*

*... মথং মথং*

# ‘লেন্দ বিল পাস তৌরবদি লম লৈজদবা মীওই ক্রোর ৩০ থবক পীবা ঙমগনি’

***নিউ দিল্লি, এপ্রিল ৮ঃ***

লেন্দ এক্বিজিসন বিল পাস তৌরবদি ইন্দষ্ট্রি কয়াদা লম লৈজদবা মীওই ক্রোর ৩০ থবক পীবা ঙমগনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লম লৈজদবা লাইরবা দলিট, ত্রাইবেল, শোত্থরবা কাংলুপ কয়াদা অখন্নবা থৌশিল অমা পীবা পাম্মী। লেন্দ এক্বিজিসন বিল লাক্লবদি ইন্দষ্ট্রি কয়া লিংখৎতুনা লৈবাক অসিদা শোত্থনা লৈরবা অমদি লম লৈজদ্রবা মীওই মিলিয়ন ৩০০ তা থবক পীবা ঙম্নবগী খুদোংচাবা লৈগনি।

প্রধান মন্ত্রি মাইক্রো য়ুনিট দিভলপমেন্ট রি ফাইনান্স এজেন্সি (এম য়ু দি আর এ) হৌদোকখ্রে। সরকারনা মীয়ামদা হেন্না থবক পীনবগী থৌশিলদা মীৎয়েং থল্লি। মায়কৈ অদুদা চঙশিন্নবা থবক পায়খৎলি। লৈবাক অসিদা মাইক্রো অমসুং অপীকপা ইন্টরপ্রেন্যুর ক্রোর ৫.৭৭দা খুদোংচাবা পীনবা হোৎনরি। লৈবাক অসিগী মীওই চাদা ২০ মাইক্রো অমসুং অপীকপা ইন্টরপ্রেন্যুরশিংদা য়েংদুনা লৈরি। বজেদ লাওথোকখ্রবা চয়োল মঙাগী মনুংদা অদুগুম্বা ইন্সটিট্যুসন কয়া শেমগৎনবা থবক পায়খৎলি। এন বি এফ সি কয়া তুংদা চাউখৎহন্নবা থৌশিল কয়াসু শেন্নি। মদুগীদমক মুদ্রা বেঙ্ক লিংখৎপনি। অহানবা পুথোকপা পোত্থোক অমসুং স্কিম অসিগী মখাদা শেমগৎকদবা থৌশিলশিং সিসু, কিশ্বর অমসুং তরুন হায়না খায়দোক্তুনা চাওখৎ মায়কৈদা পুরক্লবা হোৎনরি হায়খি।


## মিং ওঞ্জরগনি

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা পোরোম্পাৎ সব–দিভিজনগী, য়ুনিট–দি ৩৮ নং– ৱাংখৈ পশচিম ব্রহ্মপুরগী মনুংদা লৈবা লাইময়ুম ইবোতোম্বী শর্ম্মা পিং মৃঃ চাওবা শর্ম্মা সাং ব্রহ্মপুর নহাবমগী মিংদা লৈবা ইঙ্খোল পাট্টা নং অরিবা ১০২ অনৌবা পাট্টা নং ৩৮০ / ৬৯৮ দাগ নং ১৪৫ / ৫৪৮ .১২৫ হেক্টর পাক চাওবা লম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। অদুনা ইঙ্খোল অসি মৃঃ পাট্টাদারগী মকাদা পীজরিবা মচাশিং অসিগী মিংদা ওনশিঞ্জরগনি। মসিদা য়েৎপীনিংবশিংনা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা য়েৎপীবা য়াগনি। মখা তাবদা লাকপা ৱাকৎতি লৌজরোই।

হায়জরিবা পাট্টাদারগী মচাশিং

১) লাইময়ুম রাজেন শর্ম্মা

২) লাইময়ুম দেবান শর্ম্মা

৩) লাইময়ুম সঞ্জয় শর্ম্মা

এসএল–বি–৯ ব্রহ্মপুর নহাবম, বামোন লৈকাই, ইম্ফাল।